**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈতনা লমদমসিদা চাওখৎপা পুরকপা য়ারোই।

২) রাজ্য অসিদা নুমিৎ হুমি চথরকপা জন কল্যান সিবির কেম্পেন ঙসি জিলা অয়াম্বদা লোইশিন্নখ্রে।

৩) ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

৪) নিট-য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা অমুক হন্না হয়েং পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৫) ১২ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ হয়েং পাঙথোক্লগনি।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈতনা লমদমসিদা চাওখৎপা পুরকপা য়ারোই। রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংনা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোকদুনা চাওখৎপা অমদি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা চথুরিবা জন কল্যান সিবির কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শিংজমৈ

হাও গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- লাক্লিবা চহি ২০৪৭ তা ভারতপু মপুং ফানা চাওখৎলবা ভিক্সিত ভারত অমা ওইননবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং অসিগী কান্নবা য়ুমথোঙ খুদিংদা য়ৌহন্নবা পান্দমদা জন কল্যান সিবির কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- মণিপুরসু চাওখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি। চহি অনিগী মনুংদা ইম্ফালদা ত্রেন য়ৌরক্লগনি। এক্ট ইষ্ট পোলিসি মপুং ফানা চৎনরকপদা মণিপুর অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী গেটৱে ওইগদৌরিবনি। মসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীগনি। অদুবু সরকারনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাং ময়াম অসি রাজ্য অসিদা তুংদু লৈতাবা, শান্তি লৈতনা ওইথোক্লোই।

সিবির (এল)ঃ জন কল্যান সিবির কেম্পেন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা মোইরাংগী ইবুধৌ থাংজিং টেম্পল মনাক্তা লৈবা মাইবম মান্দবতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই লিশিং ৩ রোমনা শরুক য়াখি। রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, এম.এল.এ- থোঙাম শান্তি অমসুং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ষ্টোলশিং কোইনা চত্তুনা য়েংশিনখি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা শিন্দুনা জন কল্যান সিবির কেম্পেন ঙসি ইম্ফালগী দি.আই.পি.আর ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। নুমিৎ হুমি চথরকখিবা কেম্প অসিদা মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট ৱেলফ্যার স্কিম অমসুং মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট পেন্সন স্কিম য়াওনা বিভাগ অসিনা পায়খৎলিবা সরকারগী স্কিমশিংগী কান্নবশিং পাউমীশিংদা ফংহনখি। দাইরেক্তর ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎ সিংহনা জরনেলিষ্ট পেন্সন স্কিমগী মখাদা নৌনা মিং চল্লবা পাউমীশিংদা পাসবুকশিং য়েন্থোকখি।

জন কল্যান সিবিরগী কেম্পেন অসি ককচিং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী কান্নবা লৌননবা জিলা অসিগী লিশিং ১ রোম হেনবনা দরখাষ্ট থারকখি। থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং- ডাঃ উসম দেবেন, ময়াংলম্বম রামেশ্বর অমসুং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এঞ্জেলিনা রেনিতানা বেনিফিসরিশিংদা কার্দশিং য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুরকখিবা জিলা থাক্কী জন কল্যান সিবির কেম্পেন ঙসি ফেরজোল কম্মুনিতি হোলদা লোইশিনখ্রে। কেম্পেন অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অনুনে আনন্দগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। কেম্পেন মনুংদা নৌনা আধার কার্দ শেম্বা, সি.এম.ঐচ.টি, পি.এম.জে.এ.ৱাইদা মীং চনবা, অনা লায়েং য়াওনা সরকারনা পীরিবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা ফংহনখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুরকখিবা জন কল্যান সিবির ঙসি দি.সি. কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে। কেম্প অসিগী মনুংদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই লিশিং ১ রোম হেনবনা সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌননবা দরখাষ্ট পীশিল্লকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং- থোকচোম রাধেশ্যাম, পাউদম ব্রোজেননা বেনিফিসরিশিংদা হেলথ কার্দশিং য়েন্থোকখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা চথুরকপা জন কল্যান সিবির কেম্পেন পুরুলদা লৈবা এস.দি.ও-বি.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে।

গভর্নর (এল)ঃ ৭ শুবা গভর্নর এৱার্দ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা লাইয়েকপা য়েন্দ্রেম্বম ইবোচৌবা সিংহদা ঙসি খুৎশিন্নখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রি ওফিসকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শ্রী ইবোচৌবনা ফাইন আর্টসকী লমদা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙদুনা মনা অদু পীবনি। শ্রী ভল্লানা মনা অদু খুশিন্নদ্রিঙৈ মমাংদা শ্রী

ইবোচৌবনা য়েক্লন্বা লাইশিং য়েংখি। মনা লম্থোকপগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি কে.ঐচ. লোকেন, চীফ সেক্রেতরি অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

চহি ১২ (এল)ঃ কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা 'লাখপতি দিদি' হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা কংলা চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

হিরম অসিদা মোনিটরিং এন্দ ইভালুএসন, ইন্সটিট্যুসন এন্দ কেপাসিতি বিল্ডিংগী ষ্টেট মিসন মেনেজের, গুরুময়ুম কবিতা দেবীগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর- ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি।

থৌরম অসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা অকাশবানি ইম্ফালগী শঙাই চেন্নেলদা অমুক হন্না তাবা ফংবীগনি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেওিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

নিট ঃ নিট-য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা অমুক হন্না হয়েং পাঙথোক্লগনি। নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না পরিক্ষা অসিগী মাংওইননা লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি মোগ দ্রিল পাঙথোকখ্রে।

হয়েংগী পরিক্ষা অসি নিয়ম চুমা অমদি শান্তি ওইনা অয়েৎ অপন লৈতনা পাঙথোকবগী সেক্যুরিতি পার্সোনেল লাখ ২ মখায় হেনবনা ঙাক শেনগনি। পরিক্ষা অসি লৈবাক অসিগী সহর ৫৫১ অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৪

পাঙথোক্কনি। পরিক্ষা অসিদা পুন্না কেন্দ্দিদেট লাখ ২২ লিশিং ৭৯ হেন্না পারিক্ষা থাগনি।

মণিপুরদসু নিট য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা হয়েং পাঙথোকবা শেম শারে। পরিক্ষা অসিগী মাংওইননা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা লুচিংবা ওফিসিয়েল টিম অমনা নিট পরিক্ষাগী সেন্তর অমা ওইরিবা চুরাচান্দপুর কলেজদা চত্তুনা পরিক্ষাগী শেম শারিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে।

সিম্পোজিয়ম (এল)ঃ মণিপুরী লোল অমসুং খোরিরোলদা গ্লোবেলাইজেসগী শাফু হায়বসিদা নোংমগী ওইবা সিম্পোজিয়ম অমা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সাহিত্যা একাদমিনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিতিজগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর দব্লিউ. চান্দবাবু শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ কম্পোজিত রিজনেল সেন্টর ফোর স্কিল দিবলপমেন্ট, রিহেবিলিটেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিটিস ইম্ফালনা শিনদুনা ‘পরপল ফেয়ার’ হায়না মিংথোনবা থৌরম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হৌজিক পাঙথোকখি।

সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা শিনবা থৌরম অদুদা নাৎ অমসুং কালা সংস্কৃত্তি, শান্ন খোৎনবা অমসুং ঈশৈ-নোংমাইগী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম শরুক য়াখি। মহাকা পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিতি মহৈরোইশিংদা মনা অমদি ব্রেলি কিটসশিংসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

নসা মুক্ত (এল)ঃ নসা মুক্তি সপ্তাহগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ারনা শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম জিলাদা ঙসি বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-আরবিন হংলেমনা লমথাখিবা রেল্লি অদু জিলা অদুগী বাবুপারাদগী লমথারগা চিংদোং লৈকাই ফাওবা চৎখি। লমথাবগী থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা ময়াই কাবা নিশা থাদোক্তুনা মতিং লৈবা সমাজ অমা শেমবা পুন্না অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌমীন্নবা মতম ওইরে। ভিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা পান্দমদা পায়খৎলিবা নসা মুক্তি অভিয়ান অসিদা মীপুম খুদিংমকা শৌগৎপীয়ু হায়না মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা, জিলা অদুগী এস.পি. প্রখার পান্দে, দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসার, সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিএল, জিরি কলেজগী মহৈরোইশিং অমসুং এন.এস.এস. য়ুনিট-জিরিবামগী ভোলুন্টিয়ারশিং শরুক য়াখি।

নসা মুক্ত ভারত কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস নোনেনা শিন্দুনা ড্রগকী মায়োক্তা স্লোগান ইবা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত নোনেগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ককচিংনা শিন্দুনা ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম ককচিং বজারদা পাংথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসনসু শিন্দুনা ড্রগ লান্না শিজিন্নদবা খুনাই অমা ওইহন্নবগী মতাংদা এৱারনেস কেম্পেন জিলা অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

অন্সম (এল)ঃ লৈখিদ্রবা নাগা মীচম ৬ কী অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়বা দাবী তকশিল্লদুনা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন ওফ মনিপুর (অন্সম) না শিনদুনা ঙসি ইম্ফালদা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু ইম্ফালগী তাংখুল বেপটিস চর্চতগী হৌরগা খুয়াথোং ফাওরগা চিংমৈরোংদা লৈবা মনিপুর বেপটিস কনভেন্সন (এম.বি.সি) দা থুংখি। রেল্লি অদুদা সি.এস.ওশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ  রিদমস ওফ মণিপুরনা রাজ্য সরকারগা খুৎশমনা শিন্দুনা মণিপুরী ফোল্ক ম্যুজিক্কী মতাংদা ৱার্কসোপ অমা ৱাংখৈ মোদেল হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা মণিপুরী ফোল্ক ম্যুজিক অমদি খুনুং ঈশৈনচিংবা শক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি।

যোগা ঃ ১২ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ হয়েং পাঙথোক্লগনি। পালন নুমিৎ অসিগী হীরমনা-‘যোগ ফোর হেলদি এজিং’ হায়বসিনি।  থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা কলচর মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী অখন্নবা মফম ১০০ দা যোগা নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকবা শেম শারে।

মপুং ওইবা থৌরম প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা কোলকাতাগী রেড রোডতা পাঙথোক্কদৌরি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা মধ্য প্রদেসকী জবলপুরদা পাঙথোক্কদবা রাজ্য থাক্কী ওইবা যোগ নুমিৎ পালন থৌরমদা শরুক য়াগনি।

যোগ (এল)ঃ  মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু হয়েং মালেমগী যোগ নুমিৎ পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা জাতিদা পীবা মহাক্কী ভাষন লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা য়েংহনগনি। অকাশবানি ইম্ফালগীসু হয়েং অয়ুক ষ্টেসন অসিগী কর্ম্মচারিশিংনা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা যোগগী শাজেলশিং তৌগনি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ  ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ু.এস.এনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা, মোরোকোনা স্কোটলেন্দবু পাঞ্জল ১-০ দা,

ব্রাজিলনা হাইতি পাঞ্জল ৩-০ দা, পেরাগুৱেনা টরকিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। ঙসি নুমিদাং পুং ১০ মখায় তাবা মতমদা নেদরলেন্দসকা স্বিদেনগা শান্নগনি। ঙসি নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায়দা জরমনিগা ইভোরি কোষ্টকা, অয়ুক পুং ৫ মখায়দনা ইক্বেদোরগা ক্রোয়েসিয়াগা অদুগা অয়ুক পুং ৯ মখায়দনা ট্যুনিসিয়াগা জপানগা শান্নগনি।

ফুটবোলঃ ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মপাল কাংজেবুংদা শান্নখিবা মেটচতা- উৎলৌ এফ.সিনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ প্রয়া ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এস.এস.সি পোরোমপাৎ অমসুং এন.আই.ৱাই.এস.ও কৈবী পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সি.দি.সি.সি শগোলবান্দ শলাম লৈকাইনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা- টি.সি.এম.বি.সি থোংজ্ পেচু লম্পাকা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৫ দা, অক্সদো খাঙবোকনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ১৮৩ দা অদুগা এ.এম.সি.এ থৌবালনা পি.সি.সি ময়াই কোইবীবু রন ২৬ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ অহুমশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা- টি.সি.এম.দি.সিনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

------